## এডিটোরিয়েল

# ঈরাং শাগৎনবা হোৎনদবদি ফবনি

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা নুমিৎ খুদিংগী মখল মখা কয়াগী ঈরাং থোক্লমগনি। অদুবু পীক্লবা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসুম হায়না থোক্লমগদবদি মান্দে। মণিপুর অপীকপা ষ্টেট অমা ওইরবসু মীশিং য়ামজদ্রবসু তোঙান তোঙানবা জাতি কাংলুপ কয়া পুন্না খুন্দা লৈতামীন্নবা, লাইনিং-লাইশোনদা খেন্নবা লৈবা অসিনা হরাও কুম্মৈসু শুংলেপ লেপ্তে। লোয়ননা ঈরাংসু লেপ্তে, নোংমা কাংদনা থোক্লি। তৌনিং-তৌনিংবা পংতৌ-তৌনবা, চৎনবী আইন কয়া নৈনরুদবা য়েংনরুদবগী হৈনবী, চেক্তা-চেকশিল্লক্লগা মকম্থিনা মরল ফোইদৎলি হায়বগী মওংদা অঙম তানবগী মওংসু লৈতবা নত্তে। 'অদু ওইরসু' হায়বসিনা ভাব মেন তান্নদবগী মওংদা হেক হেক লাক্তবসু নত্তে। অসিগুম্বা কয়াসিনা মখল খুদিংগী ঈরাং লেপ্তনা থোক্লবগী মরমসু ওইহল্লি। অমরোমদা মতম চারিঙৈদা নৈনহৌদুনা অচুম্বা অমদি মীয়াম্না য়ানগদবা ৱারোল নত্রগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা থেংথহনবা, মতম য়াম্না শাংনা নত্রগা কুইনা লৌবা অসিনসু ঈরাং কয়া থোক্লবগী অচৌবা মরম অমদি ওইরি। অসিগুম্বসি নত্তবা মরম কয়ামরুমসু লৈগনি লৈফমসু থোকই। তৌইগুম্বসুং অসিগুম্বা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদি ৱাৎলি হায়বসিমদি পুম্নমক্না খংনরবা য়ানরবনি। মসিদা কনানসু লাল্লি হায়বা ঙম্লরোই।

হৌজিক ষ্টেট এসেমব্লীগী অপুনবা সিট ৬০গী মনুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকি মনুং চনবা ৩৮ হিয়াংলম কেন্দ্রগী বাই ইলেক্সন পাংথোক্কদৌরি। লাক্লিবা তাং ১৭ তা ভোট থাদনগদৌরিবনি। ঙসিদগী পারগদি ভোট থাদনগদবা নুমিৎ ১২নি খক্তা ঙাইরে। অদুনা মীরেপ ওইরিবশিংনা অকনবা মওংদা ভোট খোম্নরি। সরকার অমসুং ইলেক্সন ওথোরিটিগী মায়কৈদগীসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। এসেমব্লি কেন্দ্র অমখক্কি বাই ইলেক্সনদা দিষ্ট্রিক্ট শিনবা থুংনা সি আর পি সি গী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা মীওই ৫দগী হেন্না পুনবা য়াদবা অথিংবা থমজিনখ্রে। অথিংবা অসিনা ভোট খোম্বগী থবক্তদি অহোংবা অমত্তা পীবা ঙমদে। কাংলুপ-কাংলুপ (মীওই ৫দগী হেনবা) নুপা নুপী খায়দনা ভোট খোম্বা চৎনরি। তৌবতবু মীয়ামগী ওইবা মফম লম্মাকনচিংবদা মিতিং তৌবা তারবদি মরী লৈনবা দি সি নত্রগা এস দি ও দগী মাংজৌননা অয়াবা লৌনরি। হৌজিকসু কেন্দ্র অসিগী মনুং চনবা লাংমৈদোং পব্লিক গ্রাউন্দদা কংগ্রেসকী মিতিং অমা ঙসি পাংথোক্লবা হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনদি গ্রাউন্দ অসিদা মিতিং পাংথোক্লবা অয়াবা পীখ্রে।

নাকল অমদনা লম্বা তৌনরিবা ত্রিনামুল কংগ্রেস মীরেপকী শুমাং মতোনমক ওইবনিনা অতোপ্পা মফম অমদা মিতিং পাংথোকহনবীয়ু হায়রি। থৌওং অসিমক্তা ইলেক্সনগী মরী লৈননা নাকল অনিগী মরক্তা য়াম্না চাওনা উংখৎনবা থোরক্তুনা অচৌবা ঈরাং থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। সরকারগী মায়কৈদগী অহেনবা ফোর্স থাজিন্দুনা ঙাইহাক্কী ওইবা লাকশিন্নবা হোৎনখিবদি য়াই তৌইগুম্বসুং মদুনা মীয়ামগী পুক্নিংদি লাকশিনবা ঙমদবনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক থোক্লকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। অমগী অমগী ৱা নত্তনা তশেংনা হায়রবদি ইলেক্সন ওথোরিটি নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা গ্রাউন্দ রিয়েলিটি অদু মুন্না য়েংশিলহৌদবা অমদি খংহৌদবগী উংখৎনবা অসি থোকহনবনি হায়না লৌগনি। পব্লিক গ্রাউন্দ মীয়ামগী লম্পাক্কি হায়দুনা মিতিং পাংথোক্লবগী অয়াবদু ইচম চম্না দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা পীখিবনি হায়বসিসু অরানবা নত্তে। অমরোমদা মীয়ামগী লম্পাক ওইরবসু মীরেপ অমগী য়েনখা, শুমাং মতোন্দা লৈবনা অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোকপীয়ু হায়রিবসিসু অকায়বা লৈতে। অদুনদি মুন্না য়েংশিলহৌদবা ওথোরিটিগী অশোয়বনি হায়বা তাবনি। অশোয়বা অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম মরক্তা উংখৎনবা থোরক্তুনা অচৌবা ঈরাং থোক্লবদি মদুগী দাইত্ব দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা পুফম থোক্তবরা হায়বসি অচৌবা ৱাহং ওইরে। মরম অদুনা সরকার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওথোরিটিনা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তারি। কেন্দ্র অমখক্কী বাই-ইলেক্সনদা থোকহন্নিংদবা ঈরাং থোকহনবা হায়বসিসু অফবা নত্তে, ইকায়নিংঙাইনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# কৈদৌবগী ৱারুগনি হৌজিক

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

কৈদৌনি ৱারুবগী ঐখোয় মশেন হুন্নদুনা লৈরগা, থোক্লক্লিবা খুদিংমক অঙম্বশিংগী খুজিল থৌরাংননী হায়বসি প্রজাপংলবা ঐখোয়না খংবগী মতম হেন্দোক্লে। মখোয়না সেন্টরদগী অচৌ-অচৌবা শেম্হুং কয়া লৌথগনি অদুগা মখোয়গী ফুরিৎখাওদা চংখ্রগা দলাল মথোল মশিং হেনগৎলক্কনী, মখোয়গী লোয়নবীগী শনা নোংম-নোংমগী চাওবা হেল্লক্কী, লমদম অসিগী চাওখৎ-থৌরাং করিদা হোংলকপা পুরক্লি হায়বসিনি। মখোয়গা নক্লবা সোসিয়েল ৱাকর লৈবাক নীংবা অপাম্বা কার অচৌবা, কার অতাংবা তোংলকপদগী ঙসিগী লমদম অসি ট্রাফিক জাম হেনগৎলক্লি। গাড়ি থৌরগা মোবাইল ফোন তৌবা অসি কনা অমত্তা নত্তে, সোসিয়েল ৱাকর শাবা, অচৌ-অশাং লোইনবা ঙাক্তনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। গাড়িবু থৌরবদি মোবাইল ফোন তৌরগা অথু-অকাইগী চৎলিবা ময়ামদা অপনবা পীরিবা অঙম্বশিংগী মনাইশিং, খোঙলোইশিং অসি য়াম্না থুনা মমুথুদেকহৌদ্রবদি লমদম অসি অরুবা কোম অমদা তাখিদুনা কাখৎপা ৱারগদবা লমদম অমা শোইদনা ওইরক্লগনি হায়বসি নোংমদি শোইদনা তুমলক্লগবা ৱাফম অমনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না নীংশিংবগী মতম ওইদ্রিবরা হায়বসিনি। অঙম-অথৌ কয়ানা তৌনিংবতা তৌবা, লৈত লাইরবা কয়ানা পুক পায়দুনা নোংমগী চারা তাল্লিবা লমদম অসিদা দিপার্টমেন্ট কয়াগী লোইশঙদা সেকুরিটিশিংনা শৌগ্রি য়ুংবগুম ঙাকহল্লগা শানৈ য়ুনৈরিবা, পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকহল্লিবা অসি কনাগী মরালনো ? মসি পংলবা প্রজা ঐখোয়গী মরালনি মরমদি ভোটকী মতমদা পৈশা খজিক্তংদা পংথহন্দুনা ইশা-ইশাগী অধিকার য়োম্থোকখিবা অদুগী মহৈনি। অদুবু শোইখিবা লানখিবা য়াওখ্রে হায়দুনসু অঙম অথৌশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অসি খরদি খিট হেনমল্লে হায়জনিংই। ঐখোয়না কৈদৌবগী হেন্না ৱাশিল্লুগনি অঙম্বা অমগী মথক্তা অঙম্বা অমা লৈ হায়বদু কাওদ্রগা লোইরে। মৈতৈগী পাওরৌদা ৱাতোলনা ৱাংলগা ক্লাকনা ফমদেকই হায়বদু নীংশিংবদা কান্নরবালাইৱানি। য়ারিবমখৈ ইদিটর ইবুংঙোনা লমদম অসিগী অশোইবা কয়াগী মতাংদা কুপ্না নৈনবিরক্কনী হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি।

অদোমগী,
রোসন মীতৈ, শওম্বুং।

## খোইরেনগী মপাও

মপুনা হায়রিবমখৈ ইনবা হুইসি অশিংবনি হায়নদুনা মমল য়াম্না তাংনা লৈনৈ। হুইনাও অমদা লুপা লিশিং মঙা ফাওবদবগী মথক্তা পীদুনা মপুনা হায়বা ইনবা হুই লোইনৈ। তশেংবমক্কীদি মপুনা হায়রিবমখৈ য়াবা হুইসি অশিংবদি নত্তে। মশাগী ৱাখল শিজিন্নদদুনা মীনা হায়রিবমখৈ ইনবসি অপংবনি। হুইদগী পংলিবমখৈ মমল তাংবা হেল্লি হায়বা য়াই। অঙাংদা নিংঙাই তৌগনদবা, মবুক য়াম্না ফবা ওইদুনা তুমিন্না পংলৈদা লৈবসি পংগল্লি হায়বসু কনাগুম্বা অহলশিংনা হায়নৈ। নিংঙাই চক্রি য়াম্না কনবা অঙাংসি পীক্লিঙৈদা অশিংবা ওইদুনা মমা-মপানা নিংঙাই থেম্বা ঙমদদুনা শাউনিংবা পোকই। ইচানা পীক্লিঙৈদা নিংঙাই চক্রি কনবসি চাউরক্লগা শিংগনি হায়দুনা শাউনিংবা খাঙদুনা লৈরগা চাউরক্লবা মতমদা অশিংবা মী ওইরক্তুনা মীওইবগী ৱাখল চেল্লক্লবদি অঙাং ওইরিঙৈদা শাউনিংবা খাঙখিবদু অচুম্বনি। চাওরক্লগা শিংলিবনি হায়দুনা অঙাং ওইরিঙৈগী ৱাখলদগী ইহেন হেনগৎতদুনা অহল লমনশিংনা হায়বা ৱা তাদবমখৈ মশাগী অনিংবা অপাম্বা ঙাক্তা পাংথোক্লবা হোৎনরকপসি চহি য়ামখৎলক্তুনা অহল ওইরক্লবসু অঙাংদগী হেনগৎত্রিবা হায়বদুনি। শানা পংদুনা মীনা হায়বা ইনবদগী মমল তাংলগা মীনা শিংলগা মীনা হায়বা ইনদদুনা মীগী মমল অশুম অশুম হন্থরকপগী মতাং অমা হৌজিক্কী মতমদা য়ৌরক্লে। মতম অমদা মচানুপা য়াম্না পোকপা, কৈদা চহি অমগী চাননবা ফৌ হেন্দোক্লা লৈবা ইমুংবু অফবা অচংবা ইমুং ওইনা লৌনরম্মী। খরা লৈরগনা অঙাং য়ামদবা ইমুং, অঙাংশিং অদুনা মহৈ-

## অফবগী থাক্তা কিরকপা

মশিং নিংথিনা তমদুনা সরকারগী থবক মচা অমত্তং ফংবা ইমুংদুনা লৈকায়দুদা থোইদোক হেন্দোকপা হায়বদু ওইরকই। মথং মথং অশুম চাওখৎপগী লম্বীদা লাক্তুনা নিষাক চাবা মীবু সমাজগী মায়োক্তা লৈবা ফত্তবা মী ওইনা খন্নরম্বদগী হৌজিক্তী নিষা চাববু মখল অনি থোক্লা খায়দোক্তুনা অফবা চিংবা য়াওরে। হৌরক্লিবা, মহৈ-মশিং তম্লীবা ইচানা য়ুমদা য়ু থক্লগা হল্লকপদা মমা-মপা ওইবশিংনা ঐগী ইচাদি মখোয়গী মচাদগী য়াম্না হেন্না ফরি হায়বা ৱাখলদা নুংঙাইথোকপা ঙম্লক্লে। মীরমদা লাপ্পা পাউ ওইনা তারম্বদগী লৈকায়দা গুলিগুম্বা নিষা চারগা মীগী মপোৎ হুরানবা, মদুদগী হেন্দোক্তুনা মীগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা মাংহনবা ঙম্বা নুংশিরবা ইচা ময়াম অমা থোরক্লে। মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়গী তুংগী পুন্সি লম্বী নুংঙাইনা চৎপা ফংনবা শেমজরিবা ইচাশিংনা মশাখক মাংহজবদগী হেন্দোক্তুনা ইমুং মনুং তুম্না মাংবা য়াবা থৌদোক্তা ইরাই লাইনা য়াওরকপসি উরুবা তারুবা কয়াদগী ইচাশিংনা




লাইরিক তম্বা হল্লকপদা য়ু ঙাওরগা য়ুম্দা চংলকপসি নুংঙাইবা ওইনা ফাওরবনি। মমা-মপাবু হাৎকদবা মচাদগীদি মমা-মপাবু মিনুংশি অমত্তা য়াওদনা হুন্দোক্তুনা থন্নবসু হাৎপীদ্রে হায়বা ৱাখলসিনা চাওথোকচনিংঙাই ওইরবা পুন্সি মহিং অমদা ঙসি ঐখোয়না হিংলকপগী মওং অমা লাকপসি মী অমনি হায়দুনা নুংঙাইবদি নত্তে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাগীদমক ফজবা য়ুম কৈ শারগা মচা ওইবশিংনা ইরাই লাইনা লৈকায় ময়াম হৌদুনা থুগাইখিগদবা, মৈ থাখিগদবা ওইরবদি পৈশা চংদুনা চেক্কী য়ুম শাদ্রবসু ফকনা খারগা অপিকপা ইচাশিং নোংজু থাদা নুমিদাংদা নোং চোৎতুনা নাহনবা, নিংথম থাদা ইংবদগী চাংবা তুমদদুনা নাহল্লগা মদুদা হিংহৌবা ইচাশিংনা চাউরক্তুনা লৈহৌবনা হেন্না নুংঙাইবা ঐখোয়গী সমাজগী থাক অমদা লাকপসু য়ারি। মীগী থাক্তা লৈসি হায়রবদি ইচানা মীগী মপোৎ হুরানদ্রি হায়দুনা হুরানবশিংগী মমাংদা চাওথোক্কদবগী শরুক ইমুংগী পোৎ মাংবদা ইচাবু মীয়াম খঙনা দন্দি পীবা ঙম্বা মমা-মপা অমুক্তং ওইদুনা য়েংসি।

# ঙক্তা থৌরী কোঙ্গোয় হুক্তুনা হাৎপগী অরোইবা নুপী

বরতানিয়াদা রুথ এলিস কৌবা নুপী অসিনা ঙক্তা থৌরী য়াদুনা হাৎপগী চৈরাক ফংখিবী অরোইবী নুপীনি। রুথকী ঙকশঙদা থৌরি কোঙ্গোয় হুকখিবা অহাৎপা মীশক অম্বর্ত পিয়রেপ্রাইন্টনা হায়বনি, মহাক্না মহাক্কী পুন্সিদা নুপী কয়ামরুমগী ঙক্তা থৌরী থুখ্রে, মদুগী মনুংদা রুথ এলিসগুম্বী মথৌনা মরিংজেল লৈবী নুপী অমতসু থেংনখিদ্রি। মহাক্না শিরমদাইগী মিৎকুপ ফাওবদা মহাক্কী মায়থোংদা নুংঙাইতবা, অকিবা পোকপগী মমি মচেৎ অমত্তা তাবা উবা ফংখিদে।

রুথ এলিস জুলাই ১৩-১৯৫৫ দা মী হাৎলুবগীদমক আইনগী মিৎয়েংদা মরাল লৈদুনা ঙক্তা থৌরী থুদুনা হাৎখি। রুথ এলিসবু থৌরী য়ান্দুনা হাৎপগী থৌদোক্তা বরতানিয়াদা মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমা হৌরকখি। মসিমক্তনা সরকারনা অশি চৈরাক থুপচিনখিনবগীদমক খোঙফম হঞ্জিনবা তাখি।

রুথ এলিসনা মাঙোন্দা শিরক্লিবা মরাল হরাও-হরাও মায়য়োং য়াজখি। অদুম ওইনমক মীয়াম্নদি মাঙোন্দা অৱা-নুংঙাইদা শরুক য়ামিন্ননিংবদগী অচৌবা ঈরাং হৌরকখি। মসি মহাক্না শগায় থক কারক্লবা ফাওবনি। রুথগী মরুপ-মপাং, মরী মতা উকিলশিং, মসিদগীসু হেন্দোক্লা বত্তানৱী পার্লিয়ামেন্টগী পার্লিয়ামেন্টরী ফাওবনা রুথকী থৱায় কন্নবা মখোয়-মখোয়গী ঙমজবী থাক্তা হোৎনখি। রুথবু থৌরী থুদুনা হাৎপগী থৌদোক্লা লৈবাক শিন-থুংনা য়ানিংদবা উক্তুনা জুলাই ১২গী অহিংদা মীয়াম্না মখুত্তা ঈশিং লিক্লিনচিংবা পায়দুনা কৈশুমশঙগী মপান্দা থোমজিন্নরকখি, বরতানিয়াগী মীশিংগী ৱাখলদা ঙসিসু নিংঙমদ্রি, চেংলৌ শকহেন্বী, শুক্ষৎয়াই চেনবী তগৎ-তগৎ তেক্লিবী রুথবু থৌরী কোঙ্গোয়দগী শত্তোকপা ঙমহৌদ্রে। মরাইবক থিখ্রে রুথ এলিস তশেংনমক্কী।

চহি ২৮ খক্তা ঙাইরিঙৈ ঙক্তা থৌরী থুদুনা হাত্তোকপীখ্রবী রুথ ১৯২৬ দা রাইল কৌবা মফম অমদা লাইরবা ইমুং অমদা পোকখি। মশাগী কেরিয়ারগী থিবদা চহি ১৫ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ময়ুম থাদোক্লগা রেষ্টোরেন্ট অমদা ৱেত্রেসগা মান্নন থবক তৌরম্মী। শেম্বীবা মপুনা চানবীবদগী শক ফাওবদি শুক্ষৎনিংঙাইনি। মসিগী মঙম্না মহাক্না নুপাশিংবু মহাক্কী মায়কৈদা ইকোম-কোম্না চিংশিনবা ঙম্মী। মসিগুম্বগী মতিক্লা রুথনা সোয়ায়তীদা খোঙদাফম ফংনবগী অচৌবা মতেং পাংখি।



রুথ মহৌশাগী মনিং মখা তমজবী নুপী মচা অমনি। মহাক্কী লমচত্তা থোইনা হেন্না তুং মাঙ হন্না য়েংগন্দবী লমচৎ লোয়ননা ইকায়থিবী মতৌ হায়বদুমক্তি মাঙোন্দা খরা ৱাৎলি। মসিমক্তনা ওইবা য়াই, নুপাশিংগা য়াম্না থুনা নুঙগী মরী নকশিন্নবা ঙম্মী।

ৱেত্রেসকী থবক্তা রুথ মতম কুইনা লৈখিদে। ফেক্টরি অমদা অমুক থবক চংখি। ফেক্টরিদা থবক তৌনা-তৌনা রুথ লণ্ডনগী আর্মি ওফিসারশিংনা ঙাইহাক হরাও-তয়াম্ফম ক্লবশিংদা চখোক চৎশিন তৌবা হৌরকখি। শুক্ষৎয়াই শক্তম ওইবনা নুপাশিংগী মীতানফম ওইবদা মতম চংদে। রুথ ক্লবশিংদা মাগী মরুপ নুপাশিংগী পাম্বোমদা থেক্লা নৌনা জগোয় শাথেক্লি। ক্লবশিংদা জগোয় শাথেকমীন্নরীবা নুপাশিংগী হকচাংগী ফিগী মতৌগুম্না উহল্লি। মসিগী মরম্না মহাক্না মহাক্কী মরুপ নুপা খুদিংমক্তা অরুবা মরী লৈনৈ। মসিগুম্বগী অরুবা মরীদগী ১৯৪৪দা রুথ লুহোংদনা কনাডিয়ন (কনাদা) মচা লান্মী অমগী অঙাং অমা পোকখি।

লৈশানা মমা অমা ওইরুবগী মতম খরা মহাক লণ্ডনগী ক্লবশিংদগী নাথৈবগী মরমদি অঙাং উনরবা মতুংদা হকচাংদা অওনবা খরা লাকপা অদুগীদমক্তনি। হকচাংগী ফিভম অমুক হঞ্জিল্লকপদা হান্নদগী অমুক্কসু হেন্না শুক্ষৎয়াই চেল্লকখি লোয়ননা ক্লবশিংদা থোক্লক্তুনা ক্লবকী মচ শংখি। মহাক্না কামেরা ক্লবদা মোদেলগী থবক তৌখি। মসিগী থবক অসিসু রুথকী থৱায়না অপেনবা হায়বদুমক্তি থোকখিদে। মহাক মাঙলোমদা অমুক থোঙ থাংজিননিংলকখি।

ক্লবদা মোদেল ওইবদগী তোক্লগা রুথ ক্লব হোষ্টেস ওই অমসুং মসিগী মতুং কোলগার্ল।

১৯৫০ দা রুথনা জার্জ ত্রলিস কৌবা নুপা অমগা লুহোংই অমসুং রুথদগী রুথ এলিসগী মিং ওনখি।

জার্জ এলিস য়ুদা লাইচুবা মীশক্লি। মহাক্না পাম্লিবসি রুথকী হকচাং কল্লকপখক্তনি। রুথ লেম্না হিংনিংলিবা পুন্সি মহিংগী অচৌবা মঙলান থুনা মাঙখি। মহাক্না জার্জগী মচা নুপী অমা পোক্লবা মতুং মাঙোন্দগী লাপথোক্লকখি। মসিগী মতুং 'লিটিল ক্লব' দা মেনেজরগী থাক্তা থবক তৌই। মফম অসিদা মহাক্না ডেৱিড ব্লেক্লে কৌবা নুপা অমগা থেংনৈ, নুপা অসিনা মহাকপু শগায় থক্তা পুখৎলগা থৌরি কোঙ্গোয় হুক্লবফাওবগী লম্বেলদা য়ৌহনবীখি।

১৯২৬ দা পোকপা ব্লেক্লেগী ইমুং লাইরিক-লাইশু হৈবা মীনা ইকায়খুম্নবা ইমুংগী মচানি। মহাক্কী মপা শফিল্ডগী অফাওবা দাক্তরনি। ব্লেক্লে লাইরিক তম্বা অহানবা হৌরকপদগী হৌনা অতাঙবা পব্লিক স্কুল অমদগী হৌরকখি।

লমচত্তা য়েংলবদি ব্লেক্লে লম্বা লৈতবা মহা পক্কাগী য়ুদা লাইচুরবা মীওইনি। মহাক্না য়ু থকপদা মহাক্কী মথক্তা ৱারকপীনবা লৈতে। মহাক মীগা ঙাইহাক লৈতনা নিংঙাই শংদানৈ। ব্লেক্লেনা য়ুদা লাইচুরখক্তা নত্তনা মহাক্কী অপাম্বা অনি লৈ, শকহেনবী নুপীশিং অমসুং কার রেস।

অহানবা উনবগা নুপীবু নুংশিগনবা ব্লেক্লেনা রুথদা পুমশি শিখি। মখোয় অনি তিন্নবা ইচম চমদে। ব্লেক্লেনা রুথগা লোয়ননা মখোয়গী ফ্লেত দা লৈমিন্নখি। লুহোংদনা য়ুম্বাল মরী থম্নখি।

ব্লেক্লে কা হেন্না চাদিং তৌথোই অমসুং শেম্থোক লম্বেলদি থিদে। মহাক্কী চংগদবা চাদিং খুদিংমক মপা ইনাক খুনবদগী লৌরগা শিজিন্নৈ। ব্লেক্লেগী ফত্তবা লমচৎ য়েংলগা মপানা শেল পীবা লেপখি। মপানা শেল পীবা লেপখ্রবসু মহাক্না রুথগী মফমদা পুমথা থাজবা থমখি। মহাক্কী য়ুথক শেল হুন্নবগীদমক রুথনা মশাগী একাউন্তদগী লৌথোক্তুনা পীবা হৌরকই। শেল পীরিবা মখৈ ব্লেক্লেগী অৱাৎপা মেনবা ঙম্লকখিদে। শেল হুনবা রুথগী অৱাবা অমা মায়োক্লরখি। পীদ্রবসু শাথিনা ফুবী-খুৎফম নাইনা। মসি পুম্নমক মায়োক্লরবসু মহাক্না লোৎশিন্দুনা থম্মী অমসুং মহাক্না ব্লেক্লে নুংশিদবদি ঙমদে। অদুম্নদি ওইরগা শেল ঙাইহাক লৈতনা তানবা অসিদগী খাংবা ঙম্লক্তদুনা কোন্নথংদা অদুগুম্বা মীশক অমা থিবা হৌরকখি, মদুদি মহাক অদুগী মখা পোন্না হিংবা ঙমগদবা। থিরবগী মতুংদা রুথনা মহাক্কী অপাম্বা মীশক থেংনৈ। মী অসিগী মিং দেসমন্দ কৌই। দেসমন্দ কম্পনি অমগী দাইরেক্তরনি। রুথগা চহি য়েংনবদা য়াম্না হল্লি। নুপা অসিগা থেংনরবা মতুংদা রুথগী ৱাখলদা মহাক্কী শেল-থুম হুনবা ঙম্লগনি খনজৈ। মসিগী মরক্তা রুথনা ক্লবগী থবক্তি লেপ্তে। মসিগী মরমদি ব্লেক্লেদা হুনখিবা শেলফম ক্লবতগী লৌথোক্তুনা শিজিন্নখিবনি, মদু মেনখৎনবগীদমক্তনি।

রুথ, ব্লেক্লে থাদোক্লম্লগা দেসমন্দগা লৈমিন্নখি। মতম খরা দেসমন্দগা লৈমিন্নরবা মতুং কোন্না দেসমন্দনা মহাক্কীদমক তোঙানবা ফ্লেত অমা থৌরাংবীখি। মথাং মথং ...

ꯀꯨꯟꯊ ꯃꯩꯇꯩꯂꯣꯟ ꯃꯌꯦꯛ

২৫ শুবা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ, ২০১৪

# সিলভর জুবিলি (মেরা পুর্ণিমা)

### ওক্টোবর ৮, য়ুমশকৈশা, ২০১৪, মফম ঃ সেন্দ্রা টুরিষ্ট গ্রাউন্দ, থাঙ্গ

শোক ১৯৯০ ইংদগী হৌদুনা লোক্তাক পাৎ কনগদবনি হায়বসিনা পান্দম ওইরগা লেপ্তনা চহি খুদিংগী পাংথোক্তুনা লাক্লিবা নিংশিং নুমিৎ, কুমশি চহিদসু ওক্টোবর তাং ৮, য়ুমশকৈশা নুমিৎ ২০১৪ ইংদা সেন্দ্রা টুরিষ্ট গ্রাউন্দ, থাঙ্গদা পাংথোকচগনি। পাংথোকচগদৌরিবা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ অসিগী মপুঙ ওইবা থৌরমদি লোক্তাক পাৎকী ওইরক্লিবা শক্তম অমসুং শোকচিল্লক্লিবা অসিদগী পাৎ অসিবু কলহৌনবা অমসুং মহৌশাগী ফিভম কায়দনবগী মতাঙদা অখঙ-অহৈ কয়ামরুমগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা মীফম্নচিংবা কয়া পাংথোকচগনি।

লোক্তাক পাৎ, অৱাং নোংপোক ভারত্তা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা থুমহি হেন্দবা পাৎনি। চহি খুদিংগী পাৎ অসিগী পাক-চাউবা অসি অসুম অসুম হন্থরক্লী অদুগা হৌজিক্লা পাক-চাউবা অসি বর্গ কি ঃ ২৩৬.২১ নি লুবনা চাংচত্তা মিটর ২০৩নি। পাৎ অসিগী হোংলক্লিবা শক্তম অসিনা তাক্লিবদি অথুবা মতমদা পাৎ অসিবু কন্নবা খোঙজং কয়ামরুম চংশিলহৌদ্রবদি নোংমা নত্রগা নোংমদি পাৎ অসি কঙদুনা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে। তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্লিবা পাক-চাউবা অমদি থেনগৎলক্লিবা লায়না অসিদগী কলহৌনবগীদমক্তা খন্না নৈনবা মথৌ তাই হায়বনি।

লোক্তাক পাৎ, মণিপুর, ভারত অমদি পৃথিবী পুম্বগী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা পাৎ অমনি। পাৎ অসিনা মীওইবা অমসুং জিবা কয়াগী হিংনবগী পাম্বৈ ওইরি। তাঙলবা উচেক কয়ামরুম পাৎ অসিদা চাক্তারি অমসুং হিংলি। অতৈ মফম কয়াদা ফংদবা, পাৎ অসিদা হৌজবা পাম্বী কয়ামরুম পাৎ অসিগী লৈতেং ওইদুনা ফজহল্লি। অসিদসু নত্তনা পাৎ অসিনা মণিপুরগী মহৌশাগী ফিভমবু অমসুং অইং-অশাবু চাং মান্ননা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শোক ২০০৬ তা মণিপুর সরকারনা লোক্তাক প্রোটেক্সন বিল মণিপুর এসেমব্লীদা পুথোক্তুনা পাস তৌখিবা অসিনা লোক্তাক্কী মনুংদা লৈবা খুঙ্গংশিং অমদি অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা পীগদৌরিবা চৈনা অসিনচিংবা কয়াসু লৈরি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা লোক্তাক হায়ড্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা মণিপুরদা নত্তনা অৱাং নোংপোক ভারতকী ষ্টেটশিংদা মৈ পীদুনা কান্নবা ফংহল্লী লোয়ননা ঙামী মীয়াম্না অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্লরি।

লোক্তা পাৎ অসিনা কঙখিবা তারবদি পুম্নমক অসি মাঙখিবা তাবনি। পুম্নমক অসি মাঙখিবা থোক্লবদি ঐখোয়দা অৱাবা মাইয়োক্লরগনি। মরম অদুনা পাৎ অসিবু কলহৌদবা য়াদে হায়বগী ৱাখলগা লোয়ননা পাৎ অসিবু কন্নবগী খোঙজং চংশিনবগী শরুক অমা ওইনা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ অসি পাংথোকপনি।

লোক্তাক পাৎ, শোকচিল্লক্লিবা ফিভমগী কলহৌনবা অমসুং পাৎ অসিবু শেমগৎ-শাগৎনবা মণিপুর সরকারনা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি লিংখৎতুনা পাৎ অসিবু য়েংশিল্লি। মেছিন কয়া থাদদুনা ফুম লৌথোক্লি, লৈবাক কোংথোক্তুনা অথেনবা মফম কয়া লুথনবা থবক পায়খৎলি। লোক্তাক্তা ইতিল্লরিবা তুরেলশিংগী মরুদা উমং শেমগৎলি। লোয়ননা চেন্থরক্লিবা তুরেলশিংনা থৱায় পানবা জীবশিংদা অকায়বা পীদনবা অমোৎ-অকায় শেংদোক্লবা তুরেলশিংগী তোর্ব্বান লুনা নান্না থম্নবা থৌরাং তৌরি।

মণিপুরদা লৈরম্বা পাৎ কয়ামরুম মাঙখিদুনা মতমগী মতুং ইন্না অকংবা লম ওইররে। মতম অমদা পাৎ ওইরম্মী হায়বগী খুদম ফাওবা মাঙশিল্লক্লে। পনবা য়াবদা লম্ফেল পাৎ, পোরোম পাৎ, ইকোপাৎ, লৌশি পাৎনচিংবা কয়ামরুম মাঙখ্রে। লোক্তাক পাৎ অসি মতম চানা য়েংশিহৌদ্রবদি মাঙখিদুনা লৈবাক অসিগী হৱা-নুংশিৎকী ফিভম কায়রক্তুনা খুদোংথিবা নংবা য়াবগী অকিবা লৈরে। হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়গী উরিবা লোক্তাক কন্ননবা অমদি শেমগৎলিবা, পায়খৎলিবা থৌরাং অসিখক্তনদি ওইথোকপা য়ারোই। খরা হেন্না য়াঙনা চঙশিন্দুনা থৱাই য়াওনা হোৎনবা চুম্মী।

পৃথিবীগী লৈবাক কয়া হায়বদি কনাডা, হোলেণ্ড অষ্ট্রেলিয়ানচিংবা চাউখৎলবা লৈবাকশিংনা লোক্তাক পাৎ শেমগৎনবা অমদি কঙখিদনবগী থৱাই য়াওনা ফগু কয়া থাদরকপা পাম্নরকপা মতম অসিদা লোক্তাক্কী মনুং অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা অমদি মণিপুরদা লৈরিবা প্রজাশিংনা লোক্তাক পাৎ কন্ননবা হেন্ন থৱাই য়াওশিনবা দরকার ওই।

লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী পোথোক, পৃথিবীগী ওইনা খ্বাইদগী তাঙলবা শা পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা ফংদবা কৈবুল লমজাওগী শঙাইশিংনা হিংজবদা অপনবা পীরিবা, লোক্তাক প্রোজেক্টনা করম ওইদুনা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরম্বা লৌ উফম জগাশিংনা ঈশিং থুমজিনখিদুনা পোথোক পুথোকপদা হন্থহনখিবা য়েনা-হৈকক, থাংজিংনচিংবা মাঙখিবা অমসুং মদুদা জীবীকা ওইজরম্বা মীওই লিশিং কয়াগী অৱাবা পোৎলুম কয়ামরুম হকথেংনদুনা লৈরি। অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা মীয়ামদা সরকারনা রিহেবিলিটেসন পীদুনা মতেং পাংবীফম থোকই। লোক্তাক প্রোজেক্ট তৌবনা ঙা লৈশিল্লক্ত্রবা, লোক্তাক পাৎতা ঙা থাদদুনা ঙা মরাং কায়না লৈহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়বা পান্দম অসিগা ইরোয়ননা নাৎকী থৌরম্না লৈতেং ওইরগা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ পাংথোক্কদবনি।

হৌখিবা শোক ১৯৯০ দগী চহি খুদিংগী লেপ্তনা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ অসি পাংথোক্তুনা লোক্তাক কন্ননবগী ঈহৌ শাগৎলক্লি। মফম কয়াদা সেবীনার, ডিবেট অমসুং ওপন দিস্কসন্নচিংবা কয়া পাংথোক্তুনা অখঙ-অহৈ কয়াগা লোয়ননা লোক্তাক্কী শোকচিল্লক্লিবা ফিভম অমসুং মসিদগী কমদৌনা কনগদগে হায়বগী ৱাফমদা খন্ন-নৈনদুনা মীয়ামগী অমসুং সরকারগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ঈহৌ অসি ঙসিসু লেপ্তনা চংশিল্লি অমসুং চংশিনখিগনি।

লোক্তাক পাৎকা মণিপুরগী সাহিত্য অমসুং ইতিহাসকা লৈনরিবা মরী, লোক্তাক্লা টুরিজম চাওখৎহনবদা লৌরিবা থৌদাং, মীয়ামগী হিংনবগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা লৌরিবা থৌদাং, রাজ্য অসিদা লোক্তাক্লা পীরিবা কান্নবশিং, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ইকোলোজিগা লৈনবা মরী কয়া অসিদা পান্দম ওইরগা খরগা হেন্না কান্নবা ফংহনবা য়াগদগে হায়বা মায়কৈ অশোমদা লৈবাক্কী অখঙ-অহৈশিং অমসুং প্রজা মীয়াম্না য়াওশিন্দুনা লোক্তাক পাৎনা কংদুনা মাঙখিগদবদগী কলহৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোন অসিগা ইরোইননা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ অসি কম্মিটিনা ৱানা হোৎনজদুনা পাংথোকচগদৌরিবনি।

লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ অসিবু মপুঙ ফানা মায় পাক্না হোৎনমিন্নবদা ঈরৈবাকচা খ্বাই মীয়াম্না অমসুং সরকারনা মতেং পাংবীনবা লোক্তাক নিংশিং নুমিৎ কম্মিটি মণিপুরনা, মীয়ামদা নোল্লুক্না পাওজেঙ্গরি।

কর্সি ঃ লোক্তা নিংশিং নুমিৎ কম্মিটি, মণিপুর